ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ
ꯏꯔꯥꯏ, ꯖꯨꯟ ꯲꯸, ꯲꯰꯱꯹, ꯏꯝꯐꯥꯜ
꯴꯳ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯹꯰ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ
হুইয়েন লানপাউ
ইরাই, জুন ২৮, ২০১৯, ইম্ফাল
৪৩শুবা চহী, ৯০শুবা মশীং

## নম্বুল তুরেল শেংনবগী থৌরাং

### শেলতমক চৎলগা অরেম্বদা কান্নফম খঙদনা তোক্কদৌরিবরা

মণিপুরগী য়াম্না মরু ওইবা তুরেল অমনি হায়না লৌনরিবা নম্বুল তুরেল শেংদোক্নবগী মতাংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হৌখিবা মার্চ ৯ দা "রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর" প্রোজেক্ট হৌদোকখ্রে। য়ুনিয়ন মিনিষ্ট্রি ওফ ইনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জগী নেসনল রিভর কঞ্জার্ভেসন প্লানগী মখাদা তাঙ্কক কয়া থোক্লা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী অহানবা তাঙ্কক্তা ইরোইশেম্বদগী হৈরাঙ্গৈইথোং ফাওবদা তুরেলগী অমোৎপশিং শেংদোকপগা লোয়ননা শেমগৎ-শাগৎকদৌরি। লুপা ক্রোর ৯৭.৭২ চঙনা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগা ইরোয়ননা ইম্ফাল তুরেল, ইরিল তুরেল, খুগা তুরেল, খুজাইরোক, লোকচাও, মণিপুর অমদি থৌবাল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদসু লুপা ক্রোর ৫০০ চঙনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎকদৌরি। মুভিং বেদ বাইও রিএক্টর (এম বি বি আর) হায়না খঙনবা খ্বাইদগী অনৌবা মখলগী টেক্নোলোজি শীজিন্নরগা মোংশাঙ্গৈ অমসুং শামুশঙদা ট্রিটমেন্ট প্লান্ট শেমগৎতুনা তুরেলগী অমোৎপা ঈশিং পূম্নমক ট্রিটমেন্ট তৌরগা অরূবা ঈশিং ওইহনগদৌরিবনি। ৱাটর রিছোর্সেস দিপার্টমেন্ট, পব্লিক হেল্থ এঞ্জিনীয়রিং দিপার্টমেন্ট, ম্যুনিসিপাল এদমিনিষ্ট্রেসন হাওজিং এন্দ অর্বান দিভলপমেন্ট অমসুং ষ্টেট পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দনচিংবা লোয়শঙ কয়া খূৎশম্নরগা পায়খৎকদৌরিবা থৌরাং অসিগী মখাদা নম্বুল তুরেল পরিংগী তোঙান-তোঙানবা মফমদা ইকো-ফ্রেন্দলি ওইবা ক্রিমেটোরিয়ম ৫৬ অমসুং কম্যুনিটি টোইলেট কমপ্লেক্স ২০ শাগদৌরি। কাংচুপ চীংদা হৌরকফম ওইরিবা নম্বুল তুরেলনা ষ্টেট অসিগী ওইনা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা অমসুং ঈশিং মোৎপা তুরেলনি হায়না সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দ (সী পি সী বি)না মশক খঙদোকখিবগা লোয়ননা অখন্নবা থৌরাং অসি লৌখৎলকপনি। নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা "রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর" প্রোজেক্ট লোঞ্চ তৌখ্রবা মতুং থা অহুমলোম লৈরগা হৌখিবা জুন ২১দা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা অতৈ মিনিষ্টরশিং অমসুং ওফিসল কয়াগা লোয়ননা ইম্ফাল অমদি অকোয়বদা নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা লৌখৎলিবা থৌরাং য়েংশিনখি।

অমরোমদা নম্বুল তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবগী মতাংদা পায়খৎলিবা থৌরাং অসিগা মরী লৈননা দিরেক্টোরেট ওফ ইনভাইরনমেন্টকী ওফিসতা হন্দক্তা সিভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন অমদি সেল্ফ হেল্প গ্রুপনচিংবা ষ্টেকহোল্ডরশিংগা উনদুনা তুরেল মোৎশিলহন্দনবগী মতাংদা খন্নখি। তৌবগীবুদি মণিপুরগী ওইনা খ্বাইদগী ফীভম শোক্লবা তুরেলশিংগী মনুংদা নম্বুল তুরেলসু অমনি হায়না লৌবা য়াই। তুরেল অসিগী হৌজিক ওইরিবা ফীভম য়েংলুরগা লৈবাক্কী মরু ওইবা তুরেলনি হায়না লৌনরিবা গঙ্গা তুরেলগা পাঙ্খক ওইরে হায়না অখঙ-অহৈশিংনা মোৎ পীরি। তোঙান-তোঙানবা মরম কয়াদগী অঙকপা ফংনা ফীভম শোকচিল্লক্লবা গঙ্গা তুরেলগী মতাংদসু জল শক্তি মিনিষ্ট্রিনা অখন্নবা থৌরাং অমা লৌখৎতুনা তুরেলগী ফীভম ফগৎহন্নবা হোৎনদুনা লাক্লি। কুমজা ২০১৪দা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা পার্লিয়ামেন্টতা বজেটকা মরী লৈননা ৱা ঙাঙখিবদা "নমামি গঙ্গে মিসন"গী ৱাফম লাউথোক্তুনা কুমজা ২০১৯ ফাওবদা গঙ্গা তুরেল লূ-নান্হন্নবা থৌরাং লৌখৎলগনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। অদুবু পান্দম ফংবা ঙমদবদগী কুমজা ২০২১ ফাওবা মতম শাংদোকখ্রে। অহুল্লকশুবা ওইনা মতম শাংদোকহনখ্রবা মতুংদা জল শক্তি মিনিষ্টর গজেন্দ্র সিংহ শেখাৱটনা হায়খি, নেসনল রিভর-গঙ্গা লূ-নালহনবগী থৌরাং চহী অনীগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙম্লগনি। অদুম ওইনমক হৌখিবা এপ্রিল ফাওবদা লুপা ক্রোর ২৮,৪৫১.২৯ নমামি গঙ্গে মিসনগী মখাদা সেঙ্কসন তৌখ্রবসু হৌজিক ফাওবদা তুরেল শেংবগী থবক শরুক মরি থোকপগী অমা ফানা লোইশিনবা ঙমদ্রি হায়বা য়াই। নমামি গঙ্গে মিসনগী মখাদা পূন্না প্রোজেক্ট ২৯৮ পায়খৎকদবগী মনুংদা হৌখিবা এপ্রিল ৩০ ফাওবদা শুপ্নগী প্রোজেক্ট ৯৮ লোইশিনদুনা লুপা ক্রোর ৬,৮৩৮.৬৭ শীজিন্নবা ঙমখিবদা ঙায়রি। সেন্ট্রেল পোল্যুসন কন্ট্রোল বোর্দকী রিপোর্ট মতুং ইন্না গঙ্গা তুরেলগী ঈশিং অসুক্কী মতীক মোৎলে মদুদি মীওইবনা ঈরু-মায়থজবা অমসুং মায়-মীৎ তাবদা ফাওবা খূদোংথিনিংঙাই ওইরে হায়রি। নম্বুল তুরেলগী ওইনসু হৌজিক পায়খৎলিবা থৌরাং অসি অপীবা মতমগী মনুংদা মপূং ফানা লোইশিনবা ঙমগদৌরিবরা হায়বগী মতাংদা মীয়ামগী পূক্নিংদা চিংনবা ফাওহল্লে। করিগুম্বা লোইশিল্লে হায়না লৌরগসু হান্নগী মতৌগুম অমুক হন্না তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লক্লোই হায়নিংঙাই লৈতে। তুরেলগী ঈশিং মোৎশিল্লকপগী মতাংদা খ্বাইদগী মরু ওইবা মরমশিংগী মনুংদা অমোৎ-অকায় লংথোরকপা হায়বসিসু অমনি। তৌবগীবুদি ইম্ফাল ম্যুনিসিপাল কোর্পোরেসন (আই এম সী)না লন্নাই এন জি ওশিংগী খূথাংদা থা খুদিংগী শেল খরা-খরা লৌরগা য়ূমথোঙ খুদিংদগী চাং নাইনা অমোৎ-অকায় খোমদোকপগী থৌরাং লৌখৎলবসু কনাগুম্বা থাগী শেল পুথোক্লিংদবা মীওই খরনা আই এম সীগী থৌরাং য়াওবগী মহুৎতা অচীকপা তাঞ্জা য়েংলগা তুরেলদা অমোৎপা লংথোরকপা তারবদি "রিজুবিনেসন এন্দ কঞ্জার্ভেসন ওফ নম্বুল রিভর" অরেম্বা তাগদৌরিবনি।

**◇◇◇◇◇◇◇◇ এডিটরদা থারকপা চিঠি ◇◇◇◇◇◇◇◇**

## লৌউ-শিংউ লোইশঙনা হার ফংহনবগী থৌওং শেমদোকহন্নীংই

*ইকায়খুম্নজরিবা এডিটর,*

লৌউ-শিংউ লোইশঙনা ষ্টেট অসিগী লৌমীশিংদা হার ফংহন্নবা চত্থরিবা থৌশিল অসি শেমদোক্তুনা খরা হেন্না লায়বা মওংদা ফংহনবনা অচুম্বা খোঙথাং ওইগনি। হৌজিক ষ্টেট অসিগী তোঙান-তোঙানবা মফম কয়াদগী লৌমী কয়াগী ৱাকৎ কয়া লাক্লি। হার য়েন্থোকপগী থৌওং অসিদা পাট্টা জেরোক্স কোপি অমদি আই দি প্রুভনচিংবা পুরক্লবগী কাঙলোন অমা চৎনহল্লি। মসি নাকল অমরোমদা লৌউ-শিংউ লোইশঙনা লৌমীশিংগীদমক খল্লগা চত্থবা থৌওং ওইরম্বা য়াই। অদুবু থবক ওইনা ওন্থোরকপা মতমদদি চাউনা খুদোংচাদবা মায়োক্লবা য়াওরে। মীগী লৌ উরগা শিনফম ওইবা লৌমী কয়াদি মখূৎতা পাট্টা লৈবা নত্তে। মখোয়না হার লৌনবা হোৎনরকপা মতমদা লৌ মপু উনবগী ফীভম অমা লাক্লি। মতাং অসিদা লৌমীশিংনা লৌ মপুশিং উননবা হোৎনবদা লৌ মপুশিং অদু অরাপ্পা মফমদা লৈবা ওইরম্বা য়াই নৎত্রগা থবক চিনবদগী উনবদা অৱাবা কয়া থেংনবসু য়াওরি। চীংগী মফমশিংদা লৈরিবা লৌমীশিংগী ওইনসু অয়াম্বনা পাট্টা পায়বা নত্তে। মখোয়না হার চাইনীংলকপা মতমদা পাট্টা য়াওদ্রবদি হার লৌবা য়াদবগী ফীভম লাকপনা অৱাবা থেংনরি। হার কাঙলোন চুম্না য়েন্নবা লৌউ-শিংউ লোইশঙনা লৌখৎলকপা খোঙথাংদা খরা হেন্না খন্থরগা লৌমীশিংদা অরায়বা মওংদা ফংহন্নবা হোৎনহন্নীংই। হার হায়বসি অকক্লবা মতমদা চাইগদবা ওইবনা মতম চানা ফংহনবা চঙই। লৌমীশিংনা পাম্বা মতমদা হার ফংহনবা তাই। হার চাইবা মতম ৱাৎলিঙৈ নৎত্রগা হেন্দোকখ্রবা মতমদা লৌমীশিংনা করিসু হার লৌগে হায়রক্লোই। লৌমীশিংনা তঙাইফদনা হার চাইনবগী তানফম লাকপা মতমদদি অরাইবা মওংদা ফংহনবা চঙই।

*অদোমগী - চোংথাম ইবোহল*

**হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৯৮**

১। কুমজা ১৮৪৪ অসি ঐখোয়গী পুৱারীদা মরুওইবা থৌদোক অনীখক থোকখি। অমনা মতমদুগী য়ুবরাজ নরসিংহবু ইবুংশি নবিন্না থাঙনা শোকহনখিবা। অতোপ্পা অমনা অহানবা পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন লমদমসিদা শিখিবা।
(ক) য়ুবরাজ নরসিংহ মশাগী চহী কয়াদা নিংথৌ ওইখিবগে?
(খ) পোলিটিকেল এজেন্ট জোর্জ গোর্দোন কদায়দা ফুমখিবগে?

২। "পৃথিবী অসে অকনবগীনি খঙদ্রা? মসিদা অশোনবগী মফম লৈতে- নমদুনা হিংলগা নমদুনা পানগদবনি।" পরেং অনীসি রা.কু. সুরেন্দ্রজিৎকী লীলা অমদগী লৌথোকপনি। লীলাদুগী মমিং হায়য়ু।

৩। "খোমইনবী মমাশিংনা/নীংঙাইদনা তূম্লি কৌবা তাদনা/মচাশিংনা চিংলি হঞ্জিন হঞ্জিন/খোম খকখ্রবা খোমজিনশিংদুদা।" পরেং মরি অসিনা কবি শরতচান্দগী শৈরেং লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেং লাইরিক অদুগী মমিং হায়য়ু।

৪। "য়েংলু খুদিং নঙতবু উরে/... পাল্লিবা হৈরাংসু নঙগী শক্তম/শাৎলিবা লৈসু নঙগী মায়থোঙ।" পরেং অহুম অসিনা আর কে হেমাবতীগী শৈরেং অমদগী লৌথোকপনি। শৈরেংদুগী মমিং হায়য়ু।

৫। "কায়রবা থম্মোয় মচেৎশিং/হৌরসনু লৈপাল ওইনা/মাগী থোঙ্গাল মনাক্তুদা/লৈরাং লৈনম ফংবদা/ঐগী থম্মোয়নি খঙনবা।" পরেং মরি অসিমনা 'কেন্দুনা লৈরম্লবদি থম্মোয় অমা' কৌবা ঈশৈ-শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো হায়য়ু।

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জুন ৩০, নোংমাইজিং নুমিৎকী অয়ুক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

# অওনবা অমা ওইনা মিনিষ্টর ওইনবা ভোট লেপ্পবরা

**অওনবা মালেম**

**সৌবাম তোম্বা লুৱাং**

মিনিষ্টর ওইরবদি 'রাজনিতিৱালা' হায়বদু ওইরবরা? রাজনিতিৱালা হায়বদু হান্না ওইগদবরা মিনিষ্টর ওইদ্রিঙৈদা? মিনিষ্টর ওইরবা মতুংদা রাজনিতিৱালা হায়বদু ওইবসু য়াওবরা? অনীসি কনানা অহান-অকোন ওইগদবনো? তশেংনা হায়রবদা য়েনবিনা য়েরুমদগী হানগদরা নৎত্রগা য়েরুমনা য়েনবীদগী হানগদরা?

থায়না হায়বা য়াই মতম অমদদি ভোট লেপ্পসি করম হায়না তৌনরম্বগে হায়ববু মীখলদা মীরেপ ওইগদবা মীওই অদু পোলিটিকেল পার্টি অমগী মেম্বর ওইবসি চৎনৈ। মশাগী পার্টি অদুগী থবক থৌরম কয়া তৌই। মফম মফম কয়া, লৈকায় লৈকায় কয়াদা চৎতুনা মী উনৈ। লৈবাক শেম্বগী ৱা য়াম্না ঙাঙই। তুংদা ভোট লেপ্পকপা মীয়াম্না উবা ফংলকই। মখোয়দুবু মীয়াম্না হায়নৈ 'রাজনিতিৱালা' নি। শম্না মতমদুদা রাজনিতিৱালা কুইনা ওইরক্তনা ভোট লেপ্পগী চৎনবী লৈতে। রাজনিতিৱালা শুকওই-ওইরক্তনা খুদক্তা ফুক লাউনা হৌগৎলগা ভোট হেক্তা লেপ্পা, মিনিষ্টর ওইরদৌনি খল্লগা রাজনিতি তৌরক্তনা শেল য়াম্না পায়রে হায়রগা ভোট লেপ্পা মীওই মতম অমদা লৈরমদে হায়বদা লাল্লোই হায়না খল্লি। লাল্লোই হায়না খল্লি নত্তে অদুগুম্বা মীওই মতমদুদা লৈতে। মতমদুদসু শেল নিংথিজনা পায়বা মীওই কয়া লৈতবা নত্তে, য়াম্না লৈ হায়বা মীয়াম্না খঙনৈ। অদুন্নমক্তি ওইরবদা শেল য়াম্না পায়রবা মীওই অদু ভোট হেক্তা লেপ্পু হায়বা য়াদে। করিগীনো? রাজনিতি তৌদনা, রাজনিতিৱালা ওইদনা ভোট লেপ্পা মহয় চারোই, লৈবাক মীয়ামগী থবক তৌবদা মতিক চাদবা হায়বদু ওইগনি হায়না খনবদগীনি। রাজনিতি, লৈঙাকলোন হায়বসি য়াম্না লুম্না লৌবা শোয়ফদবা, লানফদবা অদুগুম্বা লৈঙাকপগী চাউরবা থৌদাং অমা কোকথক্তা থোনগৎপনি হায়না মীয়াম্না লৌনৈ। শক্লা হায়রবদা ভোট লেপত্রিঙৈগী মমাঙদা রাজনিতিৱালা অমা ওইবা হায়বসিগী করি ৱাহন্থোক্লো হায়বা তারবদি লৈঙাকলোন হায়বসি করিনো অমদি মসিবু করম্না লোয়নদুনা চৎলগা মীয়ামগী থবক তৌগদগে হায়বা ৱাফমদুনি। অঙাং অমনা মী ওইবা ঙম্নবা স্কুল, কোলেজদা মহৈ তম্বা অদুগুম্না পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওরগা লৈঙাকলোন হায়বসি মসিবু কৌই হায়না তম্বা অদুবুনি রাজনিতিৱালা হায়রিবসি। পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওরবদি মীওই অদুগী পূক্নিং ৱাখল অপূনবগী ৱাখল, পার্টিদুগী পান্দম ইনবা, মশাগী অনীংবা-অপাম্বা মওংদা চৎপা য়াবা নত্তে।

তাইবঙপালসিদা অওনবা কয়া লাকপা উবা ফংনরে। ঈচেল অদুগী মনুংদা মিনিষ্টর ওইনবা ভোট লেপ্পা মীওই কয়া উবা ফংলে। অদুবু মতম অমদদি মিনিষ্টর ওইরগে হায়বা পান্দম্না মাং থারগা ভোট লেপ্পা মীগী মশীং য়াম্না শাথিনা য়াল্লমদে। পার্টিগী মকোক থোংবা লুচিংবা ওইদুনা মীমাং থোক্লা থবক তৌরবা মীওশিংদুনা ভোট কারক্লবদি মিনিষ্টর ওইফম থোকই হায়না লৈবাক মীয়াম্না খন্নবগুম তৌই। মসিমক রুল অমা ওইনা লৈবদি নত্তে। ভোট থাদরিবা মীয়াম্না অমদি পোলিটিকেল পার্টিশিংনা খন্নবা ৱাফমনি। য়াম্না মীমাং থোক্লা রাজনিতি তৌবা ঙমদবা মীওইশিংদুনা ভোট কারক্লবসু মিনিষ্টর ওইবদা খরা ৱাগনি হায়না খন্নবসু লৈ ভোটরশিংনসু অদুগা মীয়ামগী মীহুৎ মশানসু। অদুবু মিনিষ্টর ওইবদদি কনানবু পাল্লোইদগে? লোয়নমক পাম্বা ঙাক্তনি। অদুন্নমক্তি ওইরবদা মিনিষ্টর ওইবা ফংনবা অৱৈবা পাম্বৈ শীজিন্নদুনা লৈবাক মীয়াম (ভোটরশিং) খঙবা/উবা মওংদা হোৎনবমক্তি তৌদে মতম অদুদদি। লৈঙাক্লিবা গভর্ণমেন্ট অদুগী মনুংদা য়ানদবগী ঈচেল অমা চেন্দুনা তুরেল ৱাংম-ৱাংমদা লেপ্পরগা চিন্দা-পাউদানবা, অৱাই অখুম তৌনবগী থৌদোক কয়া উবা ফংদে। থোক্তে হায়বমক্তি য়াদে অদুবু চাওখৎলবা ঙসিগী মতৌগুম্না য়াম্না তোয়না তৌবদি য়াওদে। চাওখৎলবা দিজিটেলগী তাইবঙপাল ওইরবা মতমসিদা মিনিষ্টর ওইনীংবা মীগী মশীং য়াম্না হেনগৎলক্লে। মসিসু অচৌবা অওনবা অমনি। মসিগী অফ-ফত্তদুদি ভোটরশিংনা লেপচবা তারে। ঙসিদি রাজনিতিৱালাদগী সোসল ৱার্কর ওনখ্রে। রাজনিতিৱালা তাবুনুংদা চংখ্রে। রাজনিতিৱালাগা সোসল ৱার্করগা খেন্নবা লৈতে, অদুমক মান্নে, লোল অমদগী লোল অমদা মমীং ওনবখক্তনি হায়বা য়াবরা? মীওই খরনা হায়বা য়াই মমিং হোংবখক্তনি। অদুবু মাইক্রোস্কোপ থাদুনা য়েংবদদি অনীসি মান্ননা উবা ফংদে। মীয়াম্না (ভোটরশিংনা) হেন্না কূপ্পা উদুনা লৈরবা ৱাফম অমদা খন্ন-নৈনরুবগী থোয়দোক্লা কান্নবা লৈত্রে। সোসল ৱার্করদি ভোট লেপ্পমদাইগী পো কাঙবা হৌরকপনি। মশানা মশাবু অৱাংবা থাক্তা থম্বা হৌরকপনি। থৌদারোই কয়া থম্বা হৌরকপনি মিনিষ্টর অমগুম্না। থৌদারোইশিংনা মীয়ামগী (ভোটরশিংগী) য়াইফনবা থবক কয়া পাঙথোকপা হৌরকই লন্নাইগী ওইনা পাৱর লৈজরবা সোসল ৱার্কর অদুগী মহুৎ শিল্লগা। শেল পায়দ্রবদি সোসল ৱার্কর ওইনবগী পাৱর লৈতে। শেল পায়দবা মীনা সোসল ৱার্কর ওইরে হায়জরবসু মরিং-মরাংনা উবরা? সোসল ৱার্কররদি অহানবা ওইনা মীয়ামদা শক্তাক্তুনা থোক্লকপদা পোলিটিকেল পার্টি অমগী ফিরাল মখাদা য়াওরগা থোক্লক্তে। মশা মথন্তা ওইনা শাফোঙজরকই। ভোট লেপ্পমদাইদা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওই। মদুসু মীখল মতুংদা শোয়দনা মেজোরিটি ওইবা ঙমগনি, গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙমগনি হায়বা পার্টি অদু খল্লগা য়াওবনি। সোসল ৱার্কররদি গভর্ণমেন্ট শেম্বা ঙল্লোইদবা পার্টিদা য়াওনীংদে। মদুদি ভোটরশিংনা খঙই ভোট কারগা মিনিষ্টর ওইবা ফংলোইদবনিনা।

সোসল ৱার্কর ওইবসি পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওরবা মতুংদদি য়াদবরা? পার্টি অমদা য়াওরুরবদি পার্টি অদুগী চৎন-পথাপ ঙাক্লা চৎতবা য়ারক্লোই হায়বসি লায়না খঙবা ৱানি। থক-খা খঙনা চৎপা তারকই। পার্টিগী মরুওইবা থৌ পুবা মীওই কয়া লৈবদুগী অয়াবা য়াওদনা, পান্দমগী ৱাংমদা নৌনা য়াওরুবা মীওইদুনা মশানা পামজবা থবক কয়া পংতৌদা তৌবা য়াবা নত্তে হায়বসিসু খঙজিনবদা অরুবা নত্তে। হনুবা-হনুবীগী পান থাবগী ৱারীদা অহিংদা য়োংনা থারম্বা পানদু নোংঙাল্লকপদা লেপ-লেপমুক ৱাংনা লৈরম্বা অদুগুম্নদি লৈবা য়াররোই করিগুম্বা পার্টি অমদা য়াওরবা তারবদি। শম্না হায়রবদা লাই ওইবা য়াররোই। পিশক-পিক্লা লৈবা তাবনি পার্টিগী অহল-লমন, চৎন-পথাপ ঙাক্লা চৎপা তারকপনিনা। অদুনদি সোসল ৱার্কর ওল্লকপদা মতম কয়া চংবা তাবনি। অমরোমদা সোসল ৱার্কর ওইবা ঙমখিদবসু য়াই। পার্টি অমদা য়াওদুনা লৈরবদি রাজনিতিৱালা ওইরে, সোসল ৱার্কর ওইদ্রে। অমরোমদা মিনিষ্টর য়াম্না থুনা ওইনবগী লম্বী শেমদ্রে। মসিনি তাইবঙপাল। সোসল ৱার্কর হান্না ওইরবা মতুংদা পোলিটিকেল পার্টি অমদা য়াওবনি মদুসু এসেমব্লিদা মেজোরিটি ওইবা ঙমগদবা গভর্ণমেন্ট পায়বা ঙমগদবা পার্টি অমদনি। গভর্ণমেন্ট পায়বা পার্টি অদুদা য়াওরুরগা মিনিষ্টর ফম থিন্দোরক্তবদি লাই ওল্লুরবা সোসল ৱার্করদু মৈ হৌদুনা শাওগদৌরিবনি। মদুদগীদি থরুম লৈনরে। মৈগী চীং ওমদুনা লৈরে। লান থোক্লুরে করিগী মিনিষ্টর ওইনবগী, পীরক্তবগী, পীরক্কনি হায়বগী মমি উরক্তবদগী। মীহুৎ খুদিংমক মিনিষ্টর ওইগদবনি হায়বদি লৈবরা? অদুবু মিনিষ্টর ওইগে হায়না খঞ্জবদগী মিনিষ্টর অমগুম্বা থৌদালোই কয়া থমদুনা সোসল ৱার্কর ওইরুরে। শম্না ভোট লেপত্রিঙৈদগী মিনিষ্টর ওইগনি খল্লরে। মদুগী লম্বী য়াৎলুরে শেল চংনা, মতম কয়া মাঙখি।

মিনিষ্টর ওইগে খল্লমদ্রবদি মখোয় সোসল ৱার্কর ওইরম্লোইদ্রা, ভোট লেপ্পলম্লোইদ্রা? মীয়াম্না মখোয়দা ভোট থাদখিবদু মীয়ামগী মীহুৎ ওইনবগীরা নৎত্রগা মিনিষ্টর ওইরুনবগীরা হায়বসি চমম্নবা ফাওরক্লে। ভোট লেপত্রিঙৈদগী মিনিষ্টর ওইগে খল্লকপসিগা মীহুৎ ওইহনগদৌরিবা ভোটরশিংগা লৈনরিবা তৎন-থানবা য়াদ্রবা মরী অসি কোমথরকপ্রা নৎত্রগা তৎকদবগী থরাক-থরাক য়ান্দুনা লৈরবরা? খঙদ্রে করি ফীভমদা লৈরবনো। মীওইবগী রাইটতি লৈরি অদুবু রাইটতি ফংদ্রে। শেল পায়দবা মীনা ভোট কানবগী হান্না লৈরম্বা রাইট অদুদি লৈত্রে/ফংদ্রে হায়না খল্লকপা মতাং য়াওদবা নত্তে। মসি লায়রবা হায়বদুগী মরাল ওইরবরা? অমরোমদা লায়রবা মীগী মকোক হাইগৎলকপা ঙম্বগী মওং উদে। অদুবু ভোটরশিংগী মশীংদি লায়রবনা মশীং য়াম্না হেল্লি শেল পায়বা ভোটরদগী। শেল শাথিনা পায়বা মিনিষ্টর ওইনীংবা সোসল ৱার্কররশিংগী মশীংসু য়াম্বা নত্তে। শম্না খুন্নাইসিদা উরিবা ফীভমসিদদি মেজোরিটি হায়বদুদি লায়রবা ভোটরশিংনা ওইরে। অদুবু অকিবা অমদি মেজোরিটিনা লৈঙাকপা ঙমদবা দেমোক্রেসিগী লৈবাক অমা ওইরকপসিনি। শেঞ্জাও পায়বশিংনা করিগী মিনিষ্টর ওইনীংলক্লিবা? করি পান্দমনো, করি করম্বা থবক পায়খৎকে হায়বগীনো? মিনিষ্টর ওইবা ঙমহৌদ্রগনা করিগী অদুক খোয়রাং-খোয়শাওনরিবনো? মখা তানা মীয়ামগী মীহুৎ ওইগে খল্লবদি লায়রবা ভোটরশিংগী থোঙজিন্দা লেপ্পরোইদ্রা? ●

# মীয়াম্না ৱাখল তামিন্নরবদি হুরান-লোন্নাগী থবক হন্থরক্কনি

**মতম মতমগী ৱাফম**

**সেঞ্জম দেবেন**

মণিপুরদা মীয়াম্না ৱাখল তারকপগী চাং হেঙ্গৎলকপগী মতুংইন্না, লমদমসিদা চত্থরম্বা হুরান-লোন্নাগী থবক-থৌরমশিং কয়ামুক্তা, মীয়াম্না নোংম-নোংমগী চপখৎপগী চাং অমসুং থিগৎতুনা মরালশিং চুমথোকহনবগী থৌদৌশিং পাঙথোক্লবা হেঙ্গৎলক্লি। থৌদৌশিংসি চুম্নগী হীরম খরা খক্তদা অপান্ননা পাঙথোক্লককপগী ৱাফম নত্তে। অতৈ মখল-মথেলগী হীরম কয়ামুক্তা, মীয়াম্না থেংনরকপা, নাতৈ-চাদনা অমসুং মথোঙ হুক্তনা শেন্দান লম্বেলশিং চত্থরম্বা মীওইশিংগী থবক খূৎতৌশিং অমদি শেল খূৎতানশিংদা মতিক চানা ৱারক-ৱাতেম্বনি। থৌদৌসিনা, হৌজিক্কী মতমগী মণিপুরগী মীয়ামসি, মতম অমগী চুম্নগী মীচম-মীয়াম হায়রগা মীয়াম্না খঙনরম্বা করিসু খঙজদবা মীচম-মীয়ামশিংদুমক্তি নৎত্রে হায়বসি ময়েক শেংনা উৎলি। ঙসিগী মণিপুর, লায়র-ইনাকখুনবা খায়দনা মহৈ-মশিন তম্বগী লম্বীদা পূম্নমক চপ মান্ননা খোঙ থাংজিনমিন্নরবা লমদমনি। লায়রবা কাঙবুশিংনবু হেন্না থোয়না ময়েক শেংনা মহৈ-মশিনশিং তম্নরক্লি। থৌদৌসিনা, মণিপুরগী মফম পূম্নমক্তা, হীরম খুদিংমক্তা লায়র-ইনাকখুনবা অনীগী মরক্তা খেন্নবা লৈহল্লক্তে, খঙবগী চাংসু চপ মান্নরকই। ফীভমসিমক্লা ঙসিদি মণিপুরদা নাতৈ হুক্তনা, কাঙলোন চুমদনা অমদি হুরান-লোন্নাদা শেন্দান-লম্বেনশিং ওইদুনা, ওইদ-পাদবনা মাঙজিন থাদুনা শেঞ্জাও তাল্লম্বা ইনাকখুনবা কাঙবুশিংগী থৌদৌশিংবু ময়েক শেংনা খঙবা ঙমহল্লকই অমসুং ৱারক-ৱাতেম্বগী মথৌশিং তঙাইফদনা তাহল্লকই। মরমসিননি, ঙসি লম্বী কয়লা থাবদবু ওইরো, মীয়ামগী থোং শাবদবু ওইরো, হৌজিক্কী মতমদা মীয়ামগী থবক পায়দুনা শূরিবা থিকাদারশিংগী মথক্তা ঙাইহাক লৈতনা মীচম-মীয়ামশিংনা, থিকাদারশিংদুনা শূবা থবকশিংদা য়ানীংইগা, য়ানীংদেগা চপখৎপা হৌনরক্লিবসি। তশেংবমক্তি থৌদৌসি, লাইরিক হৈবা থিকাদার, ইঞ্জিনিয়রশিংগী মফমদা, লৈবাক্কী মীচম-মীয়াম্না অচুম্বা খোঙথাংশিং তাকপীবনি।

ঙসি-ঙসিমক, মণিপুরগী মফম কয়ামরুমদা থিকাদারশিংনা শূবা থবকশিংগী মায়োক্তা মীচম-মীয়ামশিংনা ঙাইহাক লৈতনা অশোয়-অরানশিং কয়ামুক মীমাঙ থোক্লা পুথোক্তুনা অশোয়বশিংদু চুমথোকহল্লি। অহিং অথেংবদা, উফুল মথক্তা থাজিল্লম্বা কয়লাদু নোংঙাল্লগা মীয়াম্না খোঙনা চৎপদা ফক্কৎলকপা থেংনৈ, নাপী পান্দোংশিংগী মথক্তা কয়লা থাজিল্লম্লগা চৎ-খবনা হাপ্তা ফাদনা কয়লা লম্বী মথক্তা নাপী পাম্বীশিং থিনগৎলকপসু তত্তনা উনৈ। থৌদৌশিংসি ঙসি ফাওবগী মনুংদা মণিপুরগী মরী লৈনবা এস ও, ইঞ্জিনিয়রশিং অমত্তনা নোংমতা ওইরসু খক উরকই তমদে। মসিনা লম্বী কয়লা থাবগী ৱারীনি। অতোপ্পা অমরোমদনা, নূং-লৈঙোই, সিমেন্ট, কোংকৃট তোত্তুনা হৈবগী ৱারী, সিমেন্ট হৈদুনা শাবা থোংখোঙশিংগী মনুংদা হাপ্লমগদবা য়োৎকী মশীং অমদি সিমেন্টকী চাং, লৈঙাক্কী স্কুলশিংগী ৱাল চনবদা শীজিন্নরিবা চেকশিংগী ক্লাস অমসুং য়াল্লিবা সিমেন্টকী শরুক, লৈবাকসিদা চহী চা কয়াগী মমাঙদগী হৌনা থৌদৌশিংসিবু য়েংশিনবীনবা অমদি ৱাকৎপীনবা মণিপুর সনা লৈবাকসিদা মীওই অমা ফাওবা পোল্লমদে। অদুবু ঙসিদি মণিপুরগী মীয়ামসি লাইরিক-লাইশু নিংথিনা হৈনরক্লবনিনা থিকাদারনা তৌবা থৌদৌশিং অমদি এস ও, ইঞ্জিনিয়রশিংগী মওং-মতৌশিংসি লৈঙাক্কী অঙম-অথৌশিংগী মফমদমক নৎত্রবসু মিদিয়াগী খূথাংদা ফাওবদি খরা খরা ৱাকৎকনি খঙনরক্লি। মসিসু থিকাদারশিংগী মমায় য়েংবদা লন্নাই মীওইশিং অমত্তা-অনীদনদি খক ৱাকৎপা ঙম্বা পোৎ নত্তে। ঙসাইদগী থিকাগী ৱাদা ঙাক্তা পল্লি হায়দুনা মণিপুরদা নাতৈ হুক্তনা ৱারকপীনবা লৈতবা মওংদা কাঙলোন লান্না শেল তানবগী থৌওংসি থিকাগী থবক্তা খক্তরা হায়রবদি শাথিনা লান্না লৌনরনি। লমদমসিদা, থিকাদারশিংদা নত্তনা অতোপ্পা মখলগী বিজিনেসশিং কয়ামুক তৌদুনা শেঞ্জাও পায়রকপা মীওইশিংসু লৈতবা নত্তে। অদুম ওইনমক, মখোয়দু শুপ্নগী মীওই খুজেক অমখক্তংগা পাঙ্খক ওইবনা, মখোয়বু থোয়না শীংথারুবা ঙম্নদবনি। খুদম ওইনা, এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সিশিংগী মীয়ামগী চেঙ-চাক য়েন্থোক-য়েনশিনগী থবক পায়রিবা কাঙবুশিংনা, মীয়ামগী মপুক হাংদনবা হোৎনবগী মহুত্তা মশাগী শেন্দোংনা হেন্না লূম্না খন্দুনা, মীয়াম্বু কাউথোক্তুনা লৈরম্বদগী মীচম-মীয়ামশিংনা থিগৎতুনা পাড়া তম্বীখিবগী ৱারী কয়া অমসু তাখ্রে। অদুগা, মতমসিগী ওইনা ইরৈপাকসিদা খ্বাইদগী হেন্না লান্না শেঞ্জাও তানবগী থবক্তি চৎন-পথাপকী ৱাংমদা মীওইবগী পুন্সিবু তেমশিংনদুনা চাহৈদবা ময়াই কাবা চিঞ্জাকশিং লল্লোন্দুনা শেঞ্জাও তাল্লিবা কাঙবুশিং অমদি মখূত্তা খূৎলায় পায়দুনা মীঙোন্দগী শেঞ্জাওশিং লাকপা-ফোইবা তৌদুনা শেন্দান লম্বী ওইনরিবা কাঙবুশিংসিসু অমমমনি। অদুবু লুরিবদি, হায়রিবা কাঙবুশিংসিদি লৈপাক্কী মীচম মীয়ামশিংনা ৱারক-ৱাতেম্লুনবগী তাঞ্জাশিং পঙনা ফংদবশিং ওইবসিনি। মখোয়দি অমরোমদা হায়রবদি তশেংনা তাইবঙ মীওইবা কাঙলূপসিনা ইন্থোক্লবা কাঙবুশিংগুম্বনি। ইরমদমসিগী মীচম-মীয়ামসিনা ফনা লাইরিক-লাইসু হৈদুনসু মখোয়দুবুদি কৈদৌনুংদা খক মায় ওনশিন্নদুনা ৱারক-ৱাতেম্নীংবগী ৱাখল্লোনশিং ফাওনরমগনি হায়বা থাজদে। পূম্নমকসিগী মথক্তা মীয়াম্না হঞ্জিন-হঞ্জিন উনরবা, শেঞ্জা-থুমজাদা খূৎ থাবা মখৈ তৌজবা লৈঙাক্কী লুচিংবশিং কয়ামরুম অমসু লৈরিবনি।

মণিপুরগী মীয়াম্না হায়ফেৎ ৱাখল লৌশিং মপূং ফারবা মীওইশিং ওইদুনসু, মীয়ামসিনা কৈদৌঙৈদা খক শেঞ্জা-থুমজাগীদমক পাড়া তম্বীবা ঙল্লোইদবা মীওইশিং খরা লৈ। মখোয়দু, মণিপুর লৈঙাক্কী ৱায়েন-থৌদাশিংদা শরুক য়ারিবা মণিপুরগী পোলিটিকেল লুচিংবশিংসিনি। লৈবাক্কী ওইনা চপ-চাবা পান্দম অমত্তং ঙাক্তুনা থমসি হায়রবদি লৈবাক্কী খ্বাইদগী ৱাংবা থাক, মকোক ইথং-থংবদগী হৌরক্তবা য়ারোই হায়বসি অচুম্বনি। মকোক চুমথোক্তনা মমৈদগী চুমথোকপা হৌরুবনা কৈদৌঙৈদা খক চুমদ্রিং চুম্বা, অচুম্বদু ওইথোকহনবা ঙল্লোই। থবক চঙবদা শেল তিংখিবা ইমপ্লোয়ীশিংনা মথৌ তৌরকপা মতমদা পুংজা খুদিংগী শেঞ্জারম য়েংলকপা মহৌশানি। ইমপ্লোয়ীদুনা মথন্তা খক য়েংনীংদুনা য়েংবা নত্তে, মহাকপু থবক হাপ্পীরকখিবা লৈঙাক্কী ফম্নাইবদুনা মাবু য়েংহনবনি হায়বা ৱাফমসিসু চুমদে হায়বা য়ারোই। খুদম ওইনা, থাগী খূৎশূমল ফংলকপা মতমদা খূৎশূমলদুগী শরুক তঙ্খায় অমা হাপকৎলগা থবক চঙবদা পুরুবা শেল্লেপতুগী শেন্দোয় ওইনা শেম্বুদা থিল্লুবা তাই। শূপ্নগী থা অমত্তং হেক পুথখিবদা মথংদদি শেম্বুদুনা শেল্লেপ ওনখৎলোরা হেক্তা হংলক্কনি। ফীভমসিদা ওফিসকী দ্যুটি তৌনা-তৌনা থাগী খূৎশুমলগী মথক্তা অহেনবা হাপকৎকদবা শেনফমদুগীদমক পুংজা খুদিংগী করম্না শেঞ্জারম য়েংলোইদৌরিবনো? অদুগুম্বা ইমপ্লোয়ীদুনবু থাগী খূৎশূমল ফংলক্কনি হায়বগী হরাওরমগদ্রা অদুগা ইমুং-মনুংসু ৱাখল লৈতামিন্নরমগদ্রা? ৱারীসি মখা তানীংদ্রে, অসিগুম্বা ইমপ্লোয়ীশিংনা কৈদৌঙৈনো লৈঙাক্কী থবক তৌজবগী নুংঙাইবা মশক খঙলক্কদৌরিবা অমদি কৈদৌঙৈনো থবক্কী ৱানোমশেল শিংবা লোইরক্কদৌরিবা? পূম্নমকসিগী তেকচাক কনানা পুফম থোক্লিবনো? মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং য়ারবদি লৈঙাক্কী লুচিংবশিংনা লৈঙাক্কী থবক হাপ্পদা ৱানোমশেল লৌবগী হৈনবীসিমত্তং অমুক্তং কোকহন্নবা পাম্বৈ অমত্তং থিমিন্নসি। নৎত্রবদি, মণিপুর সনা লৈবাক্তা লৈরিবা য়েলহৌমী ঐখোয়গী হৈনবীসি, অমুক্তংবু লেম্না ফংবা য়াই খঙখ্রবা শেন-খুন্দুমদি কৈদৌঙৈদসু খক তরাইনা থাদোকপা ঙম্বগী ৱাফমদি লৈরোই। শেঞ্জা-থুমজাগী থবক্তি মহৌশানা ৱাংখৎলকপগী থবক্তনি, মীপূম খুদিংমক্লা চাংদম্নগদৌরিসি।

তশেংনা হায়রবদা মণিপুর শেংনা শেঞ্জা-থুমজাগী ঙমখৈ পন্দোল লোল্লবা ষ্টেট অমা ওইরে থৌদৌসি য়াম্না থুনা পাম্বৈ অমা নৎত্রগা অমনা মুখৎনবা হোৎনহৌদ্রবদি, য়াম্না অতেনবা মতমগী মনুংদা মণিপুরীশিং শোয়দনা ঈরাক্লবগা চপ মান্ননা শেঞ্জা-থুমজাগী ঈথক্লা লাকহৎখ্রগনি। কা-খৎখিবগী শরুক্তা ওইবা, কুমথরকপগী ৱাফম খক লৈতবা, শেঞ্জা-থুমজাগী মচৎনি। হন্দক মণিপুরদা মণিপুরগী ৱাখল তাবা মানবা মীয়ামগী থৌদৌ খরা নৌহৌনা উবা ফংনখি। মীয়াম্বু মীকপ থোকহল্লকপগুম, মীপূম খুদিংমক্কী থম্মোয়দা অনৌবা এলার্ম অমা খিংহল্লকপগুম, মণিপুরগী থিকাদরশিংনা মীনম শোরিদুনা মীয়াম্বু অপংবা শীদুনা তৌরম্বা থবক খূৎতৌশিং খরা, মীয়াম্না নমদুনা অমুক হন্না থিকাদারগী অশোয়বশিংদু চুমথোকহনখি। মণিপুরগী মীয়াম ৱাখল তারবা অমসুং লাইরিক-লাইশুগী মঙালশিং মতিক চানা ফংলবা মাল্লকখি। তশেংনমকসু থৌদৌসি, মণিপুরগী শেঞ্জা-থুমজাগী মুঙমদ্রবা ৱাথোকসিদা অমুক্তং এপ্লাই তৌহন্নীংই। মদুদা মচেৎ অমত্তংদা ওইরবসু মায় পাক্লকপগী খুদমশিং ফংলবদি, মণিপুরগী মীচম-মীয়ামশিং খুদক্তগী হৌদুনা ৱাখল তামিন্নবা অমসুং অপূনবগী লিচীং শাগৎমীন্নবগী থৌদৌশিং পাঙথোকমিন্নবা চুমগনি। ●